
তোশিনবিরবা মতুংদা নুংশা লাংদবা উরুম অমদা ফৌদোক্তুনা কংহনবিগনি। করিগুম্বা নাইট্রেট নাইট্রোজেনগী চাং য়েংবিগদবা ওইরবদি পূং ১২ গী মনুংদা কংহনবিদবা য়াদবনা মরম ওইরগা একজেষ্ট ফেন অমদি ফেন পূন্না য়াওবা কেবাইন অমা শীজিন্নবিগনি।

অসুম্না কংহল্লবা লৈবাক অদু চাইখাইবিরবা মতুংদা কেজি ১/২ গুম্বা অমুক্তমক লৌবিগনি। নীংশিংগদবা অমনা করিগুম্বা মাইক্রোন্যুত্রেন্টগী চাংয়েং তৌগদবা লৈবাক ওইরবদি প্লাষ্টিক, ষ্টেনলেস ষ্টিল নৎত্রগা উগী লৈমায়দা পঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবিরগা তকখায়বিগদবনি। করিগুম্বা লৈবাকশিং অদু য়াম্না য়াম্বা তারবদি চাং মান্ননা, মকোয় মান্ননা শেন্বীরবা মতুংদা মান্নবা শরুক মরি থোকপিরগা মায়ওনসি মান্নবা শরুক অনী অদু লৌবিগনি। অমদি ঐখোয়না পাল্লিবা কেজি ১/২ অদু ফংদ্রি ফাওবা পিক থলহনগনি।




**ইশাগী লৌফমদগী লৈবাক লৌনবগীদমক মফম খনবগী মওং**

অসুম্না ইশাগী লৌফমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লৌরবা লৈবাক অসি অমতা ওইনা পূনশিনবিদুনা অমুক্তদা চাংয়েং তৌবা য়াই। করিগুম্বা লৌফম অসি লৈতেম মান্নরবা, মচু মান্নরবা, মমাঙদা থাখিবা মহৈ মরোং মান্নরবা অমদি লৌউ কাঙলোন মান্নরবদি লৌ পরি ২ চাউবা থংননা লৈবা লৌফমশিং অমুক্তদা পূন্না চাংয়েং তৌবা য়াই।

## (ছ) থাবিগদবা ৱারোল ঃ

নীংথিনা লৌবিরবা লৈবাক অদু অফবা পোলিথিন নৎত্রগা ফিগী খাও অমদা হাপ্পিরবা মতুংদা লৌমীদুগী মিং, লৈফম, লৌফমগী মমিং, লৈবাক লৌবগী নুমিৎ (তারিখ) লৌমী অদুগী আধার নম্বর, ফোন নম্বরনচিংবা য়াওরবা চে অমা অফবা পোলিথিন অমনা নীংথিনা য়োমশিনবিরগা চাংয়েং তৌনবগীদমক মনাক নকপা এগ্রিকলচর ওফিস নৎত্রগা কে ভি কে-গী ওফিসশিংদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌনবা পীবিবা য়ারে।

মথক্তা পঞ্জখিবা ৱারমময়াম অসি নীংথিনা পাঙথোকপিরবা মতুংদা অদোমগী লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপিয়ু অমদি লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা লৌফম অমা ওইহনবিয়ু।

*Prepared by:*
**DR WAIKHOM JITEN**
Farm Manager, KVK Thoubal

*For further details please contact :*
**Senior Scientist & Head, KVK Thoubal**



# লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌনবগীদমক করম্না লৈবাক লৌগনি




भाकृअनुप
ICAR

**KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL**
DEPARTMENT OF AGRICULTURE
Thoubal - 795138, Manipur